ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ ১৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৩৫শুবা মশীং

# ইন্দিয়াদা চৎনরিবা রিজর্ভেসন সিষ্টম

## মতিক চাবশিং চিংথরিব্রা, শোখহৌরবা কাঙলূপ য়োকখৎলিবরা

মমাঙ চয়োলদা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তা নোটিশ থাদুনা রিজর্ভেসনগী মতাংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্নবা খঙহল্লকখ্রে। মরাথা কাঙলূপকী মীওইশিংদা ক্বোটা পীবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমা হীয়রিং চথুরবা মতুংদা জজ মঙাগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, ও বি সীদা ক্বোটা পীবগী ৱাফম অসি লৈবাক শীনবা থুংনা চৎনগদবা মরম্না ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কী মোত লৌবা মথৌ তাই। নোটিশ ইস্যু তৌবা মতমদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, কন্সটিটুত্যসনগী ১০২শুবা এমেন্দমেন্টনা মরম ওইরগা ষ্টেটশিংনা শোখহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীনবা লো শেন্বদা অপনবা ওইরবরা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি। প্রসিদেন্টনা শেম্বা লিষ্টতা য়াওবা কাঙলূপশিং খক্তদা রিজর্ভেসন পীগদবনি হায়বা ৱাফম কন্সটিটুত্যসনগী ১০২শুবা এমেন্দমেন্টতা ময়েক শেংনা য়াওরি। ষ্টেটশিংনা হোংলক্লিবা মতমগী ফীভম য়েংলগা শোখহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীবা ঙম্বরা হায়বদু এপেক্স কোর্টনা য়েংশিনগদৌরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা চথুখিবা হীয়রিংদা মুকুল রোহাগি, অভিশেক মানু সিংভি অমসুং অতৈ সিনিয়র এদভোকেটশিংনা হায়খি, নেসনল বেকৱার্দ ক্লাসেস কম্মিসনগা মরী লৈনবা কন্সটিটুত্যসনগী ১০২শুবা এমেন্দমেন্টকী ৱাফম ওইবা মরম্না ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্কী মোত লৌবা মথৌ তাই। ষ্টেট মশা-মশানা অখন্নবা কাঙলূপ অমবু সোশল্লি এন্দ ইকনোমিকেল্লি বেকৱার্দ কাষ্ট ওইনা লাউথোকপা ঙম্বরা হায়বদু য়েংশিনগদবনি হায়নসু সিনিয়র এদভোকেটশিংনা মোত পীখি। এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা হায়খি, মরাথা কাঙলূপকী মীওইশিংদা রিজর্ভেসন পীবগী ৱাফম অসিনা ষ্টেট পূম্নমক্তা ইথিল পীগদবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মোত লৌফম থোকই।

কুমজা ১৯৯২দা চথুখিবা ইন্দিরা মোহনিগী কেসতা সুপ্রিম কোর্টকী জজ মাপলনা শাবা বেঞ্চ অমনা চাদা ৫০দগী হেন্না রিজর্ভেসন পীবা য়ারোই হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা লাউথোকখ্রবনি। অদুম ওইনমক মহারাষ্ট্র অমসুং টামিল নাদু য়াওনা ষ্টেট খরনা চাদা ৫০ হেন্না রিজর্ভেসন পীবগী থৌওং চথুরি। কন্সটিটুত্যসনগী মতুংইন্না সেদ্যুল্ড ত্রাইব, সেদ্যুল্ড কাষ্ট অমদি অতৈ শোখহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিং য়োকখৎনবগী ৱাখল্লোন্দা লৈঙাক্কী থবক লৌবা নৎত্রগা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদা মিং চনবদা রিজর্ভেসন পীবগী থৌওং চৎনদুনা লাক্লি। কন্সটিটুত্যসনগী আর্টিকল ১৫(৪), ১৫(৫) অমসুং ১৫(৬) কী মতুংইন্না ইন্দিয়ন ইন্সটিটুত্যট ওফ টেক্নোলোজি অমদি ইন্দিয়ন ইন্সটিটুত্যট ওফ মেনেজমেন্টনচিংবা লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদা মিং চনবদা রিজর্ভেসন পীরি। আর্টিকল ১৬ (৪) অমদি ১৬ (৬) কী মতুংইন্না আই এ এস অমদি আই পি এসনচিংবা লৈঙাক্কী থবক লৌবদা রিজর্ভেসন পীরি। পার্লিয়ামেন্ট অমদি ষ্টেট লেজিসলেচরদা শোখহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা রিজর্ভেসন পীবগী ৱাফমসু আর্টিকল ৩৩৪দা ময়েক শেংনা য়াওরি। কুমজা ২০১৯গী মমাঙদদি কাঙলূপ ফুরুপ  হায়বদি সোসল এন্দ এদ্যুকেসনল বেকৱার্দনেসতা য়ূম্ফম ওইরগা রিজর্ভেসন পীরম্মী। অদুবু চহী অদুমক্তদা কন্সটিটুত্যসন এমেন্দ তৌদুনা ইকনোমিক বেকৱার্দনেসতা য়ূম্ফম ওইরগা রিজর্ভেসন পীবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। সেদ্যুল্ড কাষ্ট নৎত্রগা সেদ্যুল্ড ত্রাইব নৎত্রগা অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসকীদমক রিজর্ভ তৌদুনা থম্বা সীটতা অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিংনা মেনশিনবা য়াদে। হৌজিক-হৌজিক সেদ্যুল্ড কাষ্ট, সেদ্যুল্ড ত্রাইব, অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস অমসুং ইকনোমিকেল্লি ৱীকর সেক্সননচিংবা শোখহৌরবা কাঙলূপকীদমক রিজর্ভ তৌদুনা থল্লিবসি অপূনবা সীট মশীংগী চাদা ৬০ রোমনি। দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনগীনা চাদা ৩নি। মতৌ অসুম্না লৈঙাক্কী থবক লৌবা নৎত্রগা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদা মিং চনবদা য়াম্লবা সীট রিজর্ভ তৌদুনা থল্লি। চাদা ৬০ রোম রিজর্ভ তৌদুনা থল্লিবা সীটশিং জেনরেল কেটগোরিগী মীওইশিংনা মুনবা ঙমদে। অদুবু লেমহৌরিবা সীট চাদা ৪০ রোম অদুদি সেদ্যুল্ড কাষ্ট, সেদ্যুল্ড ত্রাইব, অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস অমসুং ইকনোমিকেল্লি ৱীকর সেক্সনগী মীওইশিংনা লৌবা য়াই। এস সী অমসুং এস টিগী ওইনদি মমা-মপানা লৈঙাক্কী অচৌবা ফমথোল পায়রবসু, নৎত্রগা ফনা য়াম্না ইনাক কৈরাক খুল্লবসু রিজর্ভেসনগী খুদোংচাবা ফংলি। অমরোমদা ও বি সীগী ওইনদি ক্রিমি লেয়রগী মনুং চনবা, হায়বদি নুংঙাই-য়াইফবা ইমুংগী অঙাংশিং রিজর্ভেসনগী খুদোংচাবা ফংদে। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা রিজর্ভেসন পীবগী মওং-মতৌদা অশোয়বা খরা লৈরবরা হায়না খন্থবা মতম ওইরে। মতম অমদা শোক্ল-শম্নবা য়াদবগী চৎনবী লৈরিঙৈ অমসুং মীওই কাঙলূপ খরা কা হেন্না শোখরিঙৈদা রিজর্ভেসন পীবা মথৌ তারম্লবসু হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মখা তানা রিজর্ভেসন সিষ্টম চৎনহনবা মথৌ তারিবরা হায়বদু খন্থবা চুমলে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?

২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?

৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ ফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?

৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ ‘চিত্রলেখা’ হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৫) “হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঞ্জাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঞ্জাং শানা পীজগে।” মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** মরূ থেংনা ফংবদগী হৱাইমুবী থাবদা খরা থেংদোকখ্রে। হৌজিক্তি হৱাইমুবী ফজনা পাল্লে। মরূ লৌনীংই, করম্না মরূ লৌগদগে হায়বদু খঙজনীংই।

– ওপেন, পাঙনতাবী

☞ লায়না তীলনা চেন্দবা; অমুক্তা হেক্ত্রিবা নৎত্রগা খুহেক অমুক অনীরক্তগী হেনদ্রিবা হৱাইমুবী পান্বীদগী মরূ লৌগনি। মপান শাবা অমসুং মহৈ পানবা লোইশিল্লকপা মতমগী হৱাইমুবী মতোনগী মনা পিকশিল্লকপা মতমদা, মতোন থংবা অপিকপা মহৈ, মপাল অকুপ্পা মনাশিং য়াওনা (ইঞ্চি অহুমমুক শাংনা) কাটিনা ককথৎকনি। অতৈ অহেনবা থৌরম লৈতে অদুবু ঈশিংদি ৱাৎহল্লোইসি। মপূং ফানা কংলবা মতুংদা, হৱাই মকুশিং মুরবা অমসুং কংলবা মতুংদা হেক্কনি। নুংশাদা কংনা ফৌদোক্কনি।

পান্বীগী মতোন থদৎপগী মরমদি ওইররোইদবা মপাল অমসুং পিক্লিবা হৱাইদা মচিঞ্জাক চৎখিদনবা অমসুং মতোন থংবা শরুকশিংদা তারিবা ৱাহিকশিংনা মহি চুপথোকপা অমসুং ভাইরস লায়না শন্দোক্তনবনি।

**Q.** লিংথোকখ্রবা তর্বুজ পান্বীশিং অসি ঈশিং য়াম্না ৱাৎলে। নোং অনীরক মমিংগী ওইনা তাখ্রে। মসিবু ঈশিং কয়ারক চাইগদগে?

– উমাকান্ত, নম্বোল

☞ ঈশিং পীবা মশীংদা লৈতে। লৈতান লম ওইরবদি য়াম্না তোইনা পীদ্রবসু য়াই। লৈঙোই লম ওইরগদি তোয়না পীগনি। পান্বী মখোঙদা ঈশিং ঈনিল লৈব্রা য়েংগনি। ঈনিল ৱাত্তনবা ঈশিং পীগনি।

**Q.** চনা পানবা হৌরে। থরাক মনুংদা তীলশিং হুৎলগা মনুংদা হন য়াওই। মসি হাৎনবা করি হীদাক কাপকদগে?

– বসন্ত, ৱাবগাই

☞ Ampligo মিলিলিটর তরুক নৎত্রগা Coragen মিলিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। Solostick মিলিলিটর মঙাসু হাপহৌগনি। মসিনা হীদাকপু পান্বীদা নপহনবতা নত্তনা শন্দোকহন্দবদসু মতেং পাংই।

তীলনাসি তাবা হৌরকপদা ঙাইরিবা ওইরবদি Besiwell (<u>Beauveria</u> <u>basiana</u>) নৎত্রগা Metawell (<u>Metarhizium</u> <u>anisopliae</u>) গ্রাম নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

**Q.** অৱাথবী মনা অয়াম্বা কেনখ্রগা মতোন্দা অতেনবা মনা মচা অহুম মরিখক্তা লৈরে। মসিবু করি তৌগদগে?

– মাইমু, খা-পোৎশংবম

☞ নিংথম থাগী মতমদা উন মায়োক্লখিবা অমসুং ঈশিং ৱাৎপা মতম ওইবনা মনাশিং য়াওরক্তে; মনা য়াওদ্রবনিনা মহৈশিং মওং চুমদে। মসি থোক্তনবা নিংথম থাগী মতমদা উন অমসুং তীলশিং ঙাকথোক্নবা Control মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। চাং নাইনা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। চাং নাইনা ঈশিং পীগনি। পান্বীশিং পরেং নাইনা য়াম্না থাবা ওইরগদি দ্রিপ ইরিগেসন পীবা চঙই।

ঙসিগী ওইনদি নৌরিবা মনাশিংদুগী মখাদা লশিং মফোল মানবা তীলশিং য়াওব্রা য়েংবীয়ু; Mealy bug তাগল্লি। তারবদি Dantosa গ্রাম অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা Solostick মিলিলিটর মঙাসু হাপ্লগা মনাগী মখা থংবা শরুকশিং চোৎনবা কাপথোকসি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অনীশুবা ওইনা অমুক কাপথোক্কনি।

**Q.** তর্বুজ মপান লাক্লে। হৌখিবা চহীদা তর্বুজ ময়াম অমা হল চংদুনা পুমখি; মসি তৌদনবা লাং থাক্কদবনি হায়বা তাজখি। লাংদু করম্বা মমলনা কয়ামুক্তা পীবনো হায়বদুসু খঙজনীংই।

– সরত, হৈরোক

☞ Fruit fly trap হায়না খঙনবা লাংনি। মমল লুপা ৯০ পী। শঙম অমদা অহুম/মরি চংই। ময়ুং ওইনা শাংনা লৈবা লৌফমগীদমক্তি মরি চংগনি। চুথেক নাইনা লৈবা ওইরবদি অহুম্না কোন্নে। মহৈ তম্বা হেক হৌবগা লাংসি থাক্কনি। লাং থাকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৬০ ফাওবদা কান্নবা পী। মথং লাং থাক্কদবা ওইরবদি মনম (Lura) খক শীনগনি। লুপা ৬৫ পী। হীদাক কাপ্পগী মথৌ তাদে।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# ঈশিং ঈমাইদা তাওদুনা হৌবা কান্নরবা কঙ ‘এজোলা’

**এস সুমঙ্গল**



গ্লোবেল ৱার্মিং ক্লাইমেট চেঞ্জ মীয়াম্না তোয়না তানরবা ৱাফম ঙাক্তনি। তাশিন উশিন্নদবদি কনানা খঙগনি। পূম্নমকশিং অসি লৌউ-শিংউগী থবক তৌবদা চাং খঙদনা শীজিন্নরিবা লৌউ হীদাকশিং, চাং চাদনা মতম খঙদনা শীজিন্নরিবা খূৎশেমগী হারশিং অসিখক্তদা তাইশিনবদদি লানগনি। অখাকপা লৈতনা য়ান্থৎলিবা উপাল ৱাপালশিং, কোকথোক্লিবা উমং ৱামংশিং ইন্দষ্ট্রি কয়াদগী থাদোরক্লিবা অমোৎপশিং, লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা ওটোমোবাইলশিংগী মৈখু অতৈ অতৈ অসিনচিংবা মীওইবনা চথুরিবা থৌওং কয়া অসিনসু মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অঙৈং-অশা, নোংজুগী ফীভমদা চাং নাইরক্তবা অসিনচিংবা কয়া থোক্লরে হায়বসি মীয়াম্না তোয়না ঙাঙনরিবা মীৎমাঙদা উরবা ঙাক্তনি। মসিনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংউদা পীরক্লিবা অকায়বা কয়া অসিসু মীৎমাঙদা তাদুনা লৈরবা থৌওংনি। মসিবু মতম চানা চুমথোকহৌদ্রগদি তুংদা কিনিংঙাই ওইবা মওংদা লাক্লনি হায়নরিবনি। হায়রিবশিং অসিবু চুমথোক্লনবা হায়দুনা অখঙ অহৈ কয়া অমনা চাংয়েং কয়া চথদুনা মাগী মাগী ৱাখল্লোন পীনরি।

ৱাখল্লোনশিংদুগী মনুংদা ওর্গানিক ফার্মিং হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিমক য়াম্নমক চুম্লবা ৱাখল্লোন অমনি হায়জনীংই। ওর্গানিক ফার্মিং তৌবদা তোঙান তোঙানবা মহৈ মরোং পান্বীশিংগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনৈ। মরু ওইরিবা থৌরমশিংগী মনুংদা থারিবা পান্বীগী মচিঞ্জাক কাঙলোন চুম্না পীদুনা পান্বীদুবু মশা মউ ফহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবগা লোয়ননা চারিবা মীওইশিংদা হকচাং শোকহন্দবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইবা ৱাফম অমনি।

ঙসিগী খূৎইসিদা থমজরিবা ‘এজোলা’ হায়রিবা কঙ মখল/মখলশিং অসি পান্বীশিংগী মরু ওইনা ফৌ পান্বীগী মচিঞ্জাক পীবদা য়াম্নমক মরু ওইবা থৌদাং লৌহনবা য়াবা পান্বীনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী পান্বী অসিগী মরমদা অখঙ অহৈ কয়ানা তাকপীরম্লবা কান্নরবা ৱাফম কয়া ঙসি ফাওবা কনানসু থৌশাবীদবগুম তৌরি। হায়রিবা কঙ মখল অসিগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম কয়া য়েংমিন্নসি।

কঙ মখল অসিনা, মখল খেন্নবা অমদি মাগী মচিঞ্জাক ফংবগী চাংগী মতুংইন্না নুংশিৎতা য়াওবা পান্বীগী মরু ওইবা মচিঞ্জাক মচল নাইট্রোজেন হায়রিবা অসি নিংথিনা চাং ৱাংনা ফাজিন্দুনা কুম (সিজন) অমদা লৌ পরি অমদা কিলো ৩০-২০০ ফাওবা হাপচিনবা ঙম্মী। কয়া য়ামখ্রবা চাংনো? মসি য়ুরিয়া কিলো ৬৫-৪৩৪ হাপ্পগা মান্নবা চাংনি। কয়াদা য়ামখ্রবা চাংনো? কঙ মখল অসিগী মনুংদা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা য়াম্নমক চানবা মখলদি এজোলা পিন্নাতা হায়রিবা মখল অসিনি হায়রি। মসি মণিপুরগী ঈশিং তুঙদুনা লৈবা মফম অয়াম্বদা হৌবা থেংনৈ। মণিপুরগী কংলা পার্ককী শাংলবা কংলাবু ইকোয় কোয়না খা অমদি নোংচুপ্তা লৈরিবা ঈশিংগী ঈমাইদা মতম মতমগী ওইনা কুপশিন্দুনা হৌরিবা কঙ অদুমকনি এজোলা। কঙ মখল অসিগা অতোপ্পা মখল এজোলা কেরোলিনিয়ানা হায়রিবা মখল অনী অসি নিংথিনা থাদুনা শীজিন্নবগী অচৌবা খুদোংচাবা লৈ। কঙ মখল অসিগা মতম পূম্নমক্তা হিংমিন্নবা অল্গী মখল অনাবেনা এজোলা কৌবা অমা লৈ। অল্গী মখল অসিনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা এমোনিয়াদা ওন্থোকপা ঙম্মী। অসুম্না এজোলাগা অনাবেনাগা পূল্লগা অপূনবদুগী গ্রাম ১০০ খুদিংগী নাইট্রোজেন গ্রাম ০.৫, ফোসফোরস গ্রাম ০.৫, কেলসিঅম গ্রাম ০.৫গা লোয়ননা আইরন গ্রাম ০.৪৫ য়াওই হায়রি।

অসিদসু নত্তনা এজোলাদা কান্নরবা মচল কয়া অমসু য়াওরি। শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াম্নমক কান্নবা পীরি। ঙানু, য়েন্দা পীজবদা মশা ফৈ, মরূম কোকপা হেল্লি। মখোম থোকপী ষণদা পীজবদা মখোম থোকপা হেল্লি।

**এজোলাদা চাদা (%) য়াওবা মচন ওনথোকপা ঙম্বশিং য়েংসি :** নাইট্রোজেন - ২/৩৮%, ফোসফরস - ০/৫১%, পোটাসিঅম - ২/৭৫-২/৩৮% , কেলসিঅম - ০/১-১%, মেগ্নেসিঅম - ০/৫-০/৬৫%, আইরন - ০/১৬-০/২৬%, ক্রুদ ফেট - ৩-৩/৩৬%, সোলুবল সুগর - ৩/৪-৩/৫% অতৈ অতৈ।

**এজোলা শীজিন্নবগী মওংশিং :** পুখ্রি মচা মচা শেমদুনা এজোলা চারা শেমগৎপা য়াই। নৎত্রগনা খোংবান লুক্লাংশিংদগী খোমদুনা শীজিন্নবা য়াই। মিটর ২ পাকপা মিটর ২০ শাংবা ফুৎখাই অমত্তং লুবা পুখ্রি মচাশিং শেমদুনা অসিগুম্বা পুখ্রি অমদা ষন্থি কিলো ১০ ঈশিং লিটর ২০দা নিংথিনা থিৎলগা হৈজিল্লবা মতুংদা ঈশিং ইঞ্চি ১০ লুনা থল্লগা এজোলা খরা (কিলো ২-৩) থাদদুনা য়োকখৎপা য়াই। চয়োল খুদিংগী শরুক ২-৬ ফাওবা য়ামখৎপা ঙম্মী। অসুম্না শেমগৎলবা চারাশিং তোঙান তোঙানবা মওংদা লৌফমদা ফৌগা থামিন্নবা, শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইবা, কম্পোষ্ট শোম্বনচিংবদা অদুমক শীজিন্নবা য়ারে।

**ফৌগা থামিন্নবা :** ফৌ লিংলবা মতুংদা এজোলা খরা লৌফমগী মচি মচিদা থাদবা মতমদা চয়োল অমগী মনুংদা এজোলা কিলো ৫০০গী চাংদা য়ামখৎলকপা থেংনৈ। নুমিৎ ২০-২৫নিগী মনুংদা লৌফমগী ঈমাই পূম্বা কূপশিনবা থেংনগনি। মসিনা ফৌগী চাথোক অসি চাদা ১৫-১৭% হেনগৎপা ঙম্মী।

ফৌগী লৌফমদা গ্রীন মেনুর ওইনা শীজিন্নবা :

ফৌ থারমদাইদা লৌ পরি অমদা টন ২০গী চাংদা খোইজিন্দুনা ফৌ থাবা মতমদা য়ুরিয়া হাপত্রবসু ফৌগী চাথোক নিংথিনা ফংবা ঙম্মী। ফৌগী লৌফমদা য়োকখৎলকপা খুদোং চারগনা পরিদা কিলো ১০০০-১৫০০ থাদদুনা য়োকখৎলগা, অতোপ্পা মফমদা য়োকখৎলগা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী থিদুনা ফৌ থারমদাইদা খোমজিন্দুনা ফৌ থাবদা চাথোক নিংথিনা ফংই।

**কম্পোষ্ট শেম্বা :** নিংথিনা শংলিবা এজোলা খোমজিন্দুনা কম্পোষ্ট শেম্নবা কোমদা পৈশিনবা মতমদা নুমিৎ ২৫-৩০নিগী মনুংদা অমুবা অফবা কম্পোষ্ট ওনবা ঙম্মী। মসি অকঙবদা থাবা পান্বীশিংদা হাপ্তুনা পান্বীশিং নিংথিনা ফহনবা ঙম্মী।

**শা-ষণগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা :** শঙ্গোম থোকপী ষণদা অতেকপা এজোলাগা অতোপ্পা মচিঞ্জাক্তা তঙ্খাই য়ান্দুনা পীজবা মতমদা শঙ্গোম ১০-১২% হেনগৎপা ঙম্বগী পাউদম লৈ।

অসুম্না কান্নরবা কঙ পান্বী মখল অসি শীজিন্নবগী চাংদি য়াম্নমক হন্থরি। হৌজিক্কী ওইরক্লিবা মালেমগী ফীভম অসিদা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং, ওর্গানিক ফার্মিংনচিংবা পাঙথোকপা মতমদা পান্বী অসিগী থৌদাং য়াম্না লৈ হায়বসি পূম্নমক্না খঙমিন্নসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।